# “কুকি টেররিষ্টশিংদা য়াদে হায়বা খঙহনবা”

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

**উশম ধরমেন্দ্র**



মণিপুর থুগায়দবা য়াদে। মণিপুর থুগাইনবা ঈরাং হৌহনবা তাবনি মফম খুদিংমক্তা। মণিপুর মৈ হৌনা চাক্লবদি ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ঐখোয়গী তাল্লিবা তোঙানবা লৈঙাক্লোন শোয়দনা পীরক্কনি। মসিনি কুকি টেররিষ্টশিংগী ৱাখল্লোন। অদুননি মফম খুদিংমক্তা কুকি টেররিষ্টশিংনা ঈরাং থোকহল্লিবা। অচেংবা তাঞ্জা য়েংদুনা মীতৈশিং সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চনখিগদৌরে, ত্রাইবেলশিংগী খুদোংচাবা পূন্নমক মখোয়না মুনখ্রগনি হায়বগী তোকঙা শন্দোক্তুনা মপাম্থোংদা ত্রাইবেল সোলিদরিটি পীস রেল্লি অমা চৎশিন্নরগা নমদুনা মীতৈদা লান্দাদুনা থোকহনখিবা লাননি কুমজা ২০২৩গী মে ৩গী লান। লানসিগী চহী অহুম চপ চানা শুরকপগী অহৌবা কাংশি মখোলনা নাকোং পঙশিনবমখৈ য়ৈরবনি। অদুগা লোয়ননা লান মনুংসিদা থোকখিবা কাউঙমদ্রবা মীহাৎ-মীপূন, মীওৎ-মীনৈ কয়াগী থৌদোকশিং মিৎমাংদা অমমমতা ওইনা লেপ্লরনি। মহৈরোয় হেমজিৎ অমসুং লিম্থোইঙম্বী অনীবু ফারগা তমথীনা ওৎ-নৈবীরগা হাৎতোকপীখিবা, শীংজনবা চৎপদা শা-ঙা হাৎপগুম তমথীনা হাৎপীখিবা খুঞ্জাশিং, তূল্লিঙৈদা থাঙনা য়ান্দুনা হাৎখিবা, লম্বী লম্ফাংনদুনা কুকিশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা চঙশিল্লুবদগী তমথীনা ওৎ-নৈরবা মতুংদা মশানা কোম তৌহল্লবা মতুংদা ইন্থুদুনা হিংনা হিংনা ফুমজিনবীখ্রবা মীতৈ নুপাশিং, অমুকসু পীল্লিবা তাইবঙ মীরোল তাদ্রিবা থা নিপালখক্তগী অঙাং নৱা, চহী অনীমখায়গী অঙাং য়াওনা নুপী মরি পূন্না মখোয় তরুক তমথীনা ওৎ নৈরবা মতুংদা হাৎতোল্লগা বরাক তুরেলদা থাদরকখিবা জি রিবামগী জাকুধোরগী তমথীবা পাক্তক মীহাৎ, পহলগামগী মুস্লিম টেররিষ্টশিংদুদি নুপী অঙাং মখৈদি তোঙান্না খন্দোক্তুনা ফাওবা থন্বীরম্মী অদুবু কুকি টেররিষ্টশিংদি কদাই। লোইবা নাইদে আর্মি কেম্পতগী ফাওবা মীতৈ মাঙখ্রবনি, ঙসি ফাওবদা লাইশ্রম কমলবাবুগী মরী মখোঙ খঙখিদ্রবনি। নুংথিল পোবোবতা ময়ূমদগী থোকখিবদগী মফম খঙখিদ্রবা কৈশাম্পাৎতগী মুকেশ, পূন্নমক মিৎমাংদা লেপ্লরনি, লোইনাইদনা মথং-মথং।

হান্নগা য়েংনবদা কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈ খুলশিং তম্না নোংমৈ বোম কাপথরকপদুদি ঙাইহাক্কী ওইনা লেপ্পী। অদুবু লানদি লোইদ্রি। মরমদি মখোয়গী মায়কৈদগী বফর জোনগী ৱাফম অদুমক থল্লি। মীতৈ কনামত্তসু নেশনল হায়ৱেশিংদা অমদি কুকিশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা নীংতম্না চৎপা চঙবা ঙমদ্রি। লাঞ্জেন্নরিবা মীতৈশিং মশা মশাগী ময়ূমদা হজিন্দুনা খুন্দা লৈতাবা ঙমদ্রি। হজিনখিবা মীওই খরদুসু কুকি টেররিষ্টশিংদুনা কাপ্নীংবা মতমদা নোংমৈ, বোম কাপ্তুনা মীপাই থবাইবা পোকহন্দুনা অমুক নৌহৌননা লাঞ্জেন্নবগী মওংদা অদুমক লৈরি। মীতৈশিং লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবসি করম্বা মতমদা মশা মশাগী মরমদমদা হজিনবা ফংগনি মসিনি ৱাহং ওইদুনা লৈরিবসি। লৈঙাক্না হজিনহনগনি হোৎনরি হায়দুনা থল্লিবা ওইথোকপসু ঙমদবশিংদুগী মরক্তফাওবা মোরে, চুড়াচান্দপুর অমদি কাংপোকপীগী মীতৈশিং হজিনবগী ৱাফম য়াওদ্রে। মতম চঙখিগনি হায়বসি নত্তনা। নাগা-কুকিগী লান কুমজা ১৯৯২-১৯৯৭দুদা মোরেদগী নাগাশিংবু মপূং ফানা এঠনিক ক্লিন্সিং তৌখিবগুম মীতৈশিংসু মোরে, চুড়াচান্দপুর অমদি কাংপোকপদগী তান্থোকপীবগী ফীভমদা লাক্লি। করি তৌনি য়েলহৌমী অমা ওইরিবা মীতৈশিং প্রসিদেন্টস রুল মমাঙদা লৈরম্বা বিরেনগী লৈঙাক্তুনসু মণিপুরদা কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনখিবা লান সোল্ব তৌবা ঙমখিদে। প্রসিদেন্টস রুলগী শাসন কোক্লেন গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানসু করিসু অওনবা পুরকপা ঙমখিদে। ইমাইপেম্মা ধপতি ওন্থোক্লা মানখি। হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী লাকপা ওর্দরনা নেশনল হায়ৱে ইম্ফাল টু দিমাপুর অসি হাংদা হাংলদবোই নীংখি মার্চ ৮,২০২৫ ঙাইজরকপা নুমিৎ ওইখি। অদুবু অৱাং সেকমাইগী মখা লান্থহনখিবা ঙমখিদে। মালেমদা মরিশুবদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী মিলিটরি শক্তি কুকি টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা মায়থীখি। নেশনল হায়ৱে ফ্রী ওইহনবা ঙমখিদে। ঙসিনা অমুক খেমচান্দনা লুচিংবা১৩শুবা মণিপুর বিধান সভা ময়াগী লৈঙাক।

মথক্তা পঞ্জখ্রে মণিপুর থুগায়দবা য়ারোই, পাম্বৈ অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা ঐখোয়গী তোঙানবা লৈঙাক অমা, তোঙানবা হোমলেন্দ অমা মণিপুর থুগায়দুনা লৌদবা য়ারোই মসিনি কুকি টেররিষ্টশিংগী পান্দম। মীতৈশিংদদি তৌবা য়াবা লান তৌখ্রে, কয়া’মা কাইহৌরে, মখোয়গী নিঙোল লৌবা ময়াংলম্বম রিশিকান্ত ফাওবা মীনুংশি লৈতনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎতোকপীখ্রে। মদু ফাওবদা মীতৈশিং ঈরাং হৌরক্ত্রে, তূমিন লৈখ্রে অদুদি য়েলহৌমী অমা ওইরিবা চীংমী মশীং য়াম্না খুন্দারিবা তাঙ্খুলশিংদা খৎনবা হৌরসি হায়দুনা লিয়াংমৈ নাগাশিংগী মথক্তা লান কাইহৌবগী মতুংদা তাঙ্খুলশিংদা অমুক লান কাইহৌরকপনি। কুকি টেররিষ্টশিংসু তাঙ্খুলশিংদা লান কাইহৌদুনা মীচম মীয়ামগী পূন্সি তংদু লৈতাদনা লৈহল্লকপা ঙসিসু লোইদ্রি। লোইশিনবগী মহুত্তা হেন্না হেন্না কনখৎলক্লি। মণিপুরগী তম্পাক্তা লৈরম্বা তংদু লৈতাদবগী ফীভমদু চীংগী মফমশিংদসু পাক শন্না শন্দোকখ্রে। মণিপুর অসি কাঙলূপ ফুরুপকী লান্না পুরা চরাংনবা লমদম অমা হায়বদু ওইরে। মরকসিদা সেন্ত্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সেসশিংনা তম্পাক্তা কুকি টেররিষ্টশিংগী মায়কৈদা লেপ্পী মখোয়না তৌনীংবতা তৌবদা য়েংদুনা লৈ হায়বগী ফীভমদুমক ঙসি চীংগী লমশিংদসু অসুমক থোক্লি। মখোয়গী মওং মতৌসিনা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈ অমসুং তাঙ্খুল য়াওনা অতৈ ফুরুপশিং অসিবু পুংমুৎ মুখৎলগা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিনা লমদমসিগী মী ওইনা মহুৎ শিন্নবা শিল্লব্রা হায়বগী ৱাফম চাউনা লাক্লি।

মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং তংদু লৈতাদবা কাঙলূপ ফুরুপকী লান পূন্নমকসিগী হৌরকফমদি মপান্দগী হাইজিল্লকখিবা হুরান লোন্নাদা চঙশিল্লকখিবা কুকিশিং অসিননি। ঙল্লিঙৈগী মতমদগী লৈরকপা কুকিশিং নত্তবদা ম্যান্মারদগী নোংমা কাংদনা মীতোপ কুকিশিং মণিপুরদা হাইজিল্লকখিবনি। ম্যান্মারগা মণিপুরগা য়েংনবদদি মণিপুরসি য়াম্না নুংঙাইবা মফম অমা মখোয়দা ওইরিবনি। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা নমদুনা মে ৩,২০২৩দগী থোকহল্লকখিবা লানসিগী মমাঙদা মতমদুগী বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্না তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংনা পীখৎলকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না লৈঙাক্না রিকোগনাইজ তৌদবা খুল কয়া লৈরম্বগী ৱাফম থমখি। অসুম্না চুড়াচান্দপুরদা খুল ৩২৬, চান্দেলদা খুল ২৭২, কাংপোকপীদা কুল ৩৬০, তেংনৌপলদা খুল ৮১ পূন্না খুল মশীং ১০৩৯ হেনগৎলম্বগী ৱাফম রিপোর্ট তৌখি। কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা ম্যান্মাররোমদগী মীতোপ কয়া চঙশিল্লক্তুনা হান্না লৈজরম্বা য়েলহৌমীশিংদগী মশীং হেনগৎলক্লে হায়দুনা ফুংয়ার এ সীগী এম এল এনসু অকনবা ৱাফম থমখি। লৈঙাক্না রিপোর্ট তৌহৌদবা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট কয়ামসু য়াওরিবনি। মীতোপ কুকিশিং অসিনা কৈদৌরে, মণিপুরগী জঙ্গল কোকথোক্লে। অদুদগী পোপী পাম্বী থারে। মখোয়না শেঞ্জাও তানশিল্লে। নোংমৈ, বোম লৈশিল্লে। মদু পৈশিন্দুনা য়েলহৌমীশিংদা খৎনবা হৌরে। মখোয়গী তোঙানবা হোমলেন্দ অমা তাল্লক্লে। মসিনি ঐখোয়না ইঙান ঙান্না উরিবসি। মখোয়না তৌবা টেররিষ্টকী থবক খুদিংমক্তা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা Appeasement policy তৌদুনা লৈরি। মণিপুরসি লানবুং ওন্থোক্লি। মরকসিদনি লাক্লিবা সেন্সসকী ৱাফম। চহী তরা তরা কান্নরগা য়ূমকোক, মীকোক থিবা হায়বসিদি তৌফম থোকপনি, তৌগদবনি। মদুগী মতুংইন্না চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎকদৌরিবনি। শেল থাদগদৌরিবনি। দিলিমিটেশনগী থবক পায়খৎকদৌরিবনি। মতাংসিদা মীয়াম্না হায়রিবদি মণিপুরগী মতাংদদি সেন্সস পাঙথোকপা মতম চাদ্রি হায়বনি। মোরে, চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপীনচিংবা মফমদুদা করম্না সেন্সস পাঙথোক্লুনি। মীতৈ অমত্তা খুন্দারমদে হায়না রিপোর্ট লৈহৌবা তাবনি তুংদা। মফম মতম্না য়াদ্রবদি সেন্সস য়ৈথোকপা য়াই, অসামদা ঈরাং কল্লিঙৈ, জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লালহৌবগী চরাংনরিঙৈ সেন্সস তৌখিদে। মণিপুরদা অসুক ঈরাং কল্লিঙৈসিদা কদাইদগী সেন্সসনো।

লোইশিল্লকপদা, মণিপুরদা নার্কো টেররিষ্টশিংনা থোকহনখিবা লাননা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নরিবশিং ময়ূমদা হজিনহনবা অমসুং মীতৈশিংদা ফ্রী মুভমেন্ট লৈহনবসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী অহানবা অমসুং অথুবা মতমদা পাঙথোক্কদবা থৌদাং ওইগদবনি। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা য়েলহৌমী তাঙ্খুল অমদি অতৈ ফুরুপশিংদা লান কাইহৌরিবসি লেপহন্নবা লৈঙাক্না হোৎনবীগদবনি। মরম চাদনা লান কাইহৌবা কুকি টেররিষ্টশিংদা য়াদে হায়বা অমা খঙহনগদবনি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# মীৎকপ থোকপা নুমিৎতুদা

**- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -**



ঙাইহাক্তং খন্থনরদি হোত্রোং হোনা উনি। ঐখোয়গী খুন্নাইলোন্দা পূন্সি মহিং চপ চাবা মওং মরীল লৈতে। মানা মানা থোকপা অমন্বদা কোক থেঙ্গাইনরি। খুন্নাইগী খোঙচৎ মকোক মমৈ ইমান মান্নে। তিবুন-নাবুনগী খুন্নাইনি। য়াম্না লিরবা, চহী লিশিং কয়াদগী লৈরক্লে হায়জরবসু ওইরিবা খুন্নাইগী মশক অসি ইনৌ নৌবদৌনা তৌরি। ইহো হোরি। মীয়াম অসিনা য়াম্না খুমাং চাওশিল্লিবদি মীতৌ তম্বা অমদি মিপান তাংবা হায়বা হীরম অনীসিনি। মীতৌ তম্বা হায়বসি কনাগুম্বা ফুরুপ অমনা নমথবা ঙল্লরোইদবা লমদম অসিগী মীয়ামগী লু-তোং শাগৎপদা য়াওজরবা শরুক অমগুম চথনরি। মীপান তাংবদা হালেংবা লৈতবনা থৌজানবীবা মীদুনা নুংশিবীনবা পূন্নমক কথোকপা ঙম্লে। মালহনবগী ফিজেল শেৎনৈ। খুৎতি লোন্নবা থম্মোয়দি নোল্লুক্তবা, বেক্কিং য়েংলগা ৱাঙাঙগী চাং লেপ্পা মীওইবশিংগী লমদমসে নুংশিদ্রা?

মীয়ামসে নাপল মপান থোক্লরি। ফুতানিগী লমজেল তান্নরি। জগোয়, গৌড় লীলাগী থৌরাংগুম লুহোংবদা ফিজংগী হিদান্নে। টেন্ট হাউস চলাইরিবা ইচিন ইনাওশিংদা য়েংশিনবগী ৱাখল নৎচদে, ইন্দিয়া লৈঙাক্তা পুল্লুরে হায়দুনবু চৎনবী খুদিং ইন্দিয়া মালহনগনি খল্লিবসিনি মীতৌ তম্বা। লায়রবা ইমুং অমগী চাকলুক অমা নোক্লা নোক্লা পাংবদি ঙম্নদ্রি/তৌনীংদে। শেন্দোই কাবী পুরগা মীতৌদি তম্নে। অঙম্বা মীগী মতৌ ঙমদবনসু তৌই। মসিগী মতুংদদি চিন থিনবগী লমজেল তান্নরকই। ওইদবা চাম্মা চাম্মনা হৌজিক্কী লাইরোল ওইরবা ‘ত্রষ্ট দিফিজিৎ’ হায়বসি থোক্লকই। থাজনবদুনা মাঙখিবদগী খুন্নাই মীয়ামগী অপূনবা অদু ঙাকখৎপা ঙমদনা কিন্থরকই। ফ্রেম খক্তনা ফারগা থম্বা, লেঙুবদা কিন্থখিবা য়াবা, ময়ি চৎলবা খুন্নাইগী মশক অদুনি ঐখোয়গী লমদমসে নুংশিদ্রা?

য়াওশঙগা মরী লৈননা লৈশাবী নৎত্রগা মৌনহা ময়াম চাক-চানরিবসি লোইবা য়াদবা চৎনবী ওইরে। চৈরাওবগী এঞ্জাং মথেল মথেল, অমুক্তা নত্তনা অনীরক লৌখৎনরিবা মতমনি। চাক চানীংবগীদি নত্তে, পুনশিন্নবগী, ৱারী ৱাতাই নুংঙাইবগী, কুম অমগী কুম্মৈগী মনুং চনবা। লীলা নৎত্রগা ঈশৈ অমা ইচম চম্না শিনবীগনি। মচা মশু করম্না শেমগনি। হিংনবা করি করি পায়খৎলি। চাওখৎ থৌরাংগী করি করি খুদোংচাবা থেংনবগে হায়বনচিংবা য়াওশঙ চাকচান্নবগী নুপী ময়াম পুনবদা খন্ন-নৈনবা হাপচিনবা তৌনদে। লাই অমুক হরাওরক্লনি। জগোয় শাশিরা হৌনরক্কনি। ইচম চম্না শাগদবা নত্তে। ওজা কৌরগা তমগদবনি। মতম কাইথোক্লগদৌরিবনি। জগোয় নুমিৎতা ফজবা ফিজোল শেল য়াম্না তিংনা ৱায়রগা শেত্তৌরিনি। মাই মাই ইমুং মনুংদা শেল থানবা মোবাইলদগা ফোন তৌদুনা ঈ-পাউ শন্দোক্কনি। ইমুংগী লাই খুরুম্নবা ধুক মচৈ অমা শাবগী মতমদি কাইথোকপা ঙম্নদ্রি। ফদিগোম মকা অমা ফোইনবা খনবদি তৌনদ্রি। নুংশিদ্রা?

লমদমসিদা ফেমিলি প্লান্নিং তৌখিবদগী মী মশীংদি থোইনা হেনগৎত্রবনি। লোকায়না নারোন্দা চঙশিল্লকপা কাঙলূপকীদি চহী অমদা নুপী অমনা মচা ১০০ হেন্না পোক্লখ্রবনি। ফেমিলি প্লান্নিং তৌহৌদবা কুম্মৈ ফিয়োংদি ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিংগুম সুম সুম হেনগৎলক্লি। উমংলাই হরাওরম্বদগী য়ূম্লক লাই হরাওনরকই। শাগৈ লাই হরাওনরকই। অমাইবা অমাইবী কোন্নরক্তবগী ফীভম ওইরকই। এগজাম মনুংদা লীলা শান্নবা থিংই। লাই হরাওবগী মখোলদি লৈকায় কয়া লান্না শন্দোকই। পেনা য়াকাইবদগী হৌরগা লাইবাউ চেনবা, লাইবৌ জগোয়, জগোয়গী মনমগন্দা থাবলসু পোশিনবীরি। মসিদি এগজাম থারিবা অঙাংশিংদা করিসু অকায়বা ওইদে, লাইগী থৌরম্নিনা। য়েংবদা পাম্বোম খুবোম নোইবদি নুংঙাই। মবুক কংবদি য়েংনীংবা ওইদে। মীথোক শেন্থোক, পোখোক্তি মরাং কায়দবা কুম্মৈদি মরাং কায়বা খুন্নাইগা মঙক চেংবা মবুক নোয়বা মীওইবগা করিবু খেন্নবগে?

চহী ৫/৫ লৈরগা ইশাবু অদুমক য়োনবগী মতমদো য়ৌরক্লে। কাউনরম্লদ্রা য়ূম কয়া মৈ চাকখিবা। মীকপ মীরাওখোলগী ইৱাই ইনিল। ইচা ইশু মমল য়াম্লবা থৱায় কয়াগী তেংথাখোল লোইনা কাউনরম্লদ্রা? অহিংদা য়োৎলি মখোং খিংবদা পাম্বোম চাওনখিবা। কাং মরক্তা য়ারেকপা, চাবা মচেৎ তূম্বা মচেৎ ইরমদম কন্নবা হোৎনখিবদো নীংশিংনরম্লরোইদ্রা? নীংশিংলবদি খল্লমগনি ঐখোয়না ইশাবু য়োল্লুবগী কপ্লিবনি। লম্বোইবদা শমজেৎ শিন্নরবগুম থোকখিবনি। মনা পান্দবা মমিৎ হাপ্তবা লৈপুংবু ‘মো’ খোংদে খলহৌবগী কপ্লিবনি। ইশাগী ইখোঙদা শীংজংনা য়ানশিঞ্জবনি। খন্নরম্মদ্রা ময়ামসে। মিৎকপ থোকপা হায়বসি কোরৌ মানা মঙাল পীবা মতমদনি। অঙানবা মাদি মতম কায়দনা মথৌ তৌজরি। ঐখোয়না মিৎকপ থোকপীদবগী ৱাতনি।

খুন্নাই অমা শেমগৎপা, ঙাকপা, কনবদা মিৎকপ থোকপা হায়বসিনা খ্বাইদগী অহৌবা খোঙথাংনি। মিৎ উইরগা চাবা, চৎপা ওইথোক্তবনি। মিৎনা উদবা থবক কয়া মীপান তাংদুনা তৌখরে। মীহুৎনা লৈবাক ঙাকপা লমদম অমগী খ্বাইদগী মরু ওইবা নুমিৎতি মীহুৎ খনবা হায়বসিনি। ইনিং তম্না থাজবা অফবা মীহুৎ খনবা হায়বসি মিৎকপ থোকপা মতমদতা ওইথোকই। মীগী চিরোলদা মমল লৌরগা য়োনখিবা ইশাগী হক অদু নীংবা থুংদ্রবা মতমদা ৱাকৎ মীফম নুমিৎ কক্তনা চথুরবসু ললোনবনি খনখ্রবা মীহুৎতুনা তাবীগদবা লৈতে।

হুমাং তানা থবক শুবগী মমল পাম্মুবগুম, নীংতম্না চিরোল য়াওদবা ইশাগী ইহুৎ খনবা হৈরবদি ইশাদা পক্লিবা কান্নদবা কুম্মৈ ফিয়োংগী ৱাখল মাঙখিনি। শাজেল চাং নাইনা তৌবনা হকচাংদগী কোলেষ্টেরোল মাঙহন্দুনা লায়না কয়া ঙাকথোকপা ঙম্বগুম ৱাখল মরাং কায়না খল্লগা, লৈবা য়োনবা য়াওদবা মীহুৎনা খুন্নাই শেমহল্লবা মতমদা মৈ চাকপা হন্থরক্কনি। ঈ-নাই তাবা হন্থহনগনি। তোখায় তোখায় চৎননীংবগী ৱাখল মাঙখিনি। মীওইবসি পূন্না হিংমিন্নরগা নুংঙাইবা কাঙলূপনি হায়বসি মিৎকপ থোকপা নুমিৎতুদা শোয়দনা খঙনরক্কনি। ●

# ওজা থোকচোম অচৌ উন্নজরুবা

**- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -**

চহী অহল ওইরবা অমদি মাগী-মাগী পূন্সি খোঙচৎ কয়াদা থেংনখিবা থৌদোক ৱাথোক অমদি ওজাগী শিনফমদা শিন্মী অমা ওইনা মহৈরোয় কয়াবু মখূৎ পায়দুনা লমজিং লমতাকপীখিবা কয়াদুবু পাউদমজনবা হোৎনজবনি। ওজা ওইবা মতম শাংনা চহী ৩০/৩৫ থবক তৌরম্লগা ওজা ওইনা থবক্তগী পোথাবশিং কয়াবু উন্নজবদা নত্তনা পাউদমজরিবা ঐবু তাকপী তম্বীরকপা চহী ৯০গী মথক লানখৎলবা কয়া য়াওনা উন্নজরুবা কয়াগী মনুংদা ক্বাকৈথেল থোকচোম লৈকায়দা লৈবা থোকচোম অচৌ, ওজা ইবুংঙোগা চৎলিবা চহীসিগী জন্যুৱারী ১৭তা ঐগী মরুপ থোকচোম লোকেশ্বরগা ঐখোয় অনী চৎমিন্নরগা উন্নজরুবনি। ঐগী মরুপ লোকেশ্বরগা ওজা অচৌগা শাগৈনি। য়াম্না নক্লবা অপোকপা অনীগী মচিন মনাওশিংগী মচা ঙাক্তা ওইবনা অফবা মরীগী ওইবা মচিন মনাও ওইদুনা লৈবনি।

ওজা অচৌ কুমজা ১৯৩৩গী ওগষ্ট ১৮দা থোকচোম কৃষ্ণমুহোন অমদি লুক্রাম নিঙোল থোকচোম ওংবী কৈন্যাগী অনীশুবা মচা ওইনা তাইবং ফাওরকখি। মখোয় নুপা ঙাক্তা অহুম পোকই। ওজা অচৌ পূন্সিগী অহানবা স্কুল কৈশাম্পাৎকী এল পি স্কুলদা তম্লম্বদগী মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মীয়াম্না জপান লান হায়রগসু খঙনবা অদুনা মরম ওইদুনা ক্বাকৈথেলদা লৈবা লাইশ্রম দুকান হায়না খঙনবা অদুগী কোৎখাদা তমদুনা লান মনুং অদু হৌখি হায়না তম্বীরকই। মতম অদুগী চৎনবী অমাওইনা অহানবা, অনীশুবা, মঙাশুবা হায়দুনা তম্বগী চৎনবীনা মঙাশুবা পরিক্ষাদি মণিপুর পূম্বগী ওইনা পূন্না পাঙথোক্লম্মী। মঙাশুবা/ক্লাস টুগী পরিক্ষা ঙল্লবা মতুংদা ইম্ফালগী ক্বাকৈথেলদা লৈবা এম ঈ স্কুলদা ক্লাস থ্রীদগীনা ক্লাস ফাইভ ফাওবা তম্লিঙৈদা হেদ মাষ্টর ওইবীখিবা ওজাদুগী মমিং ক্ষেত্রিময়ূম তোম্বুংজাও কৌই। নোংমা ওজা অচৌনা মমান্নবা মরি-মঙাগা লোয়ননা হাওবম মরক কৈশাম লৈকায়দা চৎপা মতমদা লাইওইখ্রবা মণিপুরগী ওজা ওইরিবা অমদি এদমিনিষ্ট্রেশন্দা অৱাংবা থাক্কী ফিদা থমখিবা ৱাঙ্খেরাকপম কেশোনা হৌবদগী হেদ মাষ্টর অমদি থবক্তগী পোথারবা মতম ফাওবা হেদ মাষ্টর ওইনা লৈবীখিবা ওজা নখোয় কনা কনানো ক্লাস কয়া কয়া তম্লি হংলকপদা ওজা অচৌনা মশুং মমান্নবশিংদুগা খা-ইম্ফাল হায় স্কুল অদুগী ফঙ্কশন অমা য়েংবা চৎপনি হায় মদুদা ওজা অচৌনা ক্লাস সভেন তম্লি হায়না খুমখিবদা ঐখোয়গী স্কুল অসিদা তম্লো হায়দুনা ওজা অচৌ ক্বাকৈথেল এম ঈ স্কুলদগী খা-ইম্ফাল হায় স্কুলদা ক্লাস সভেনদা মিং চন্দুনা তমখি।

লেপ্তুনা চৎলিবা মতমগী খোঙচৎনি। মীৎকুপ খুদিং, পুংজা খুদিংনা পূন্সি অমা শাগৎলিবনি। কুমজা ১৯৫৪দা মেট্রিক পরিক্ষা থারে, সেকেন্দ দিভিজনদা পাস তৌরে। চহী অসিমক্তদা শীংজমৈ ৱাংমা ভৈগপতি লৈকায়দা লৈবা চোংথাম ইবোয়াইমা হায় স্কুল না এম ঈ স্কুল ওইরিঙৈদা ওজা ওইখি। ওজা ওইনা ওইনা ইম্ফাল কোলেজদা নুমিদাংগী মতমদা তমদুগা গ্রেজুয়েট লোইশিনখি।

ওজা অচৌ ওজা ওইনা ওইনা নুমিদাং তম্বা হৌখিবা ইম্ফাল কোলেজদা বি এ লোইশিনখ্রবা মতুংদা নোংমা পিশুমথোং লান্দুনা চীংঙা ফাওদুনা চৎপা মতমদা ওজা ৱাঙ্খেরাকপম কেশো থেংনদুনা ৱারী শাবা মতমদা ঐখোয় স্কুলদা ওজা ওইরো হায়দুনা খা ইম্ফাল হায় স্কুলদা ওজা ওইবা হৌখি হায়না পাউদম্বীখি। মতম অদুদা থাগী তোলোপ লুপা ৪০নি। অসুম্না ওজা ওইনা ওইনা কুমজা ১৯৭০গী মতমদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশন কৌবা লাইরিক মণিপুরী লোলদা ফোঙবীখি। মসিদা নত্তনা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন মণিপুরগী বোর্দ মেম্বরসু ওইখি। ওজা অচৌ ৱাহৈ ৱাতা অকনবা ঙাঙদে, তপ্না তপ্না ঙাঙবনা মাগী হৈনবীনি। খা ইম্ফাল স্কুলদগী ক্লাস সভেনদগী তম্লক্লগা ক্লাস টেন/মেট্রিক্যুলেট ওইদুনা চৎখ্রবা শীংজমৈ ভৈগবতি লৈকায়দা লৈবা চোংথাম ইবোয়াইমা হায় স্কুলনা এম ঈ ওইরিঙৈদা ওজা ওইনা থবক চঙলবসু হোৎনবা কনবনা মরম ওইদুনা নুমিদাংগী মতমদা কোলেজ তমদুনা বি এ লোইশিনবা মসিসু পূন্সিগী হোৎনজমন মখল অমনি। ঐখোয় মীওইবা পা-পি অনীগী ওইবা সংসার অমদা তাইবঙ মপুগী শান্নবা লীলানি। লীলাদুগী শরুক য়াদুনা নুপা নুপী য়ূম্বানমিন্নরগা চাদা নাওদারক্লগা ইচাগী মওং মতৌ য়েংলগা নুংঙাইবা ইমৌগা ইচাগা হরাও হরাও লৈমিন্নরগা মমা মপা ওইবশিংনা মখোল থোক্তনা থম্মোয়দা পেঞ্জবা ফাওনরিবনি। অহলগী মতম ওইরক্লবা মতমদা মচানা পোকপা মশুশিং উরগা পেঞ্জবা নুংঙাইজবা পূন্নমক তাইবঙ মপু মাগী খোঙচৎনি।

ওজা অচৌ কুমজা ১৯৬৫গী ফেব্রুৱারী ৫দা কৈশাম্পাৎতগী লাইশ্রম নিঙোল রানিগা য়ূম্বানমিন্নদুনা মচা পীবা অনী, নিঙোল অমা ফংজখি। অহল মতম ওইরক্লবা হৌখিবনা হেল্লবা লাক্কদৌবা থেংনগদৌবা মতমনা তেনশিল্লক্লবা মতম অসিদা ওজা অচৌ মচা ইবেম্মা নন্দিনি য়ূম্নাক শাগৈ ওনখ্রবসু ওজাগী নাক্তা লৈমিন্নদুনা য়াম্না পূক্লিং শোন্থবা লৈতনা হরাও তয়াম্না লৈরি। ওজাগী শিনফমদা হৌরকপা ওজা অচৌগী মচা নুপীনি হায়বদা থোইনা হন্থবা তৌদনা হৌজিক হৌজিক পাৎশোই এ সীগী মনুংদা লৈবা মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ভাইস প্রিন্সিপাল ওইনা থবক পুরি। ঙসি চহী ৯৩ চঙশিল্লক্লবা মতমদা মচাশিং মশুশিংগী কুম্মৈ য়েংজদুনা ওজাগী লোয়নবী রানি মখোয় পূন্না লৈহৌরিবা পূন্সিগী ৱাহন্থোক লৈনা হিংলিবা পূন্সিগী মমলবু কনানা লৈদুনা থম্বা ঙমগনি। কুমজা ১৯৯৬দা সেকেন্দ হেদ মাষ্টর ওনা পোথারবা ওজাগা ওজা ইমিন্নখিবা খা ইম্ফাল হায় স্কুলগী ওজাশিংগী মনুংদা কয়া লৈখিদ্রে, খরা নহা ওইরিবা ওজাশিংদি লৈহৌরি। লৈখিদ্রবা ওজাশিংগী মনুংদা কৈশাম তোম্বী, ওজা দেবেন, ওজা চাওমচা, থিয়াম সনাজাওবা, থাওদেম ইবোয়াইমা, লাইথাংবম মনিহার, রাজকুমার অঙৌসনা, ডা. হাওবম বারু অসিনচিংবাকয়া ঐগী চহী মঙাগী মতমদা থেংনজখিবা উন্নজখিবা তাকপী তম্বীখিবশিংনি।

ওজানা ৱাশ শাজৈ মনিং মমাঙ ওল্লগা কনবীখিবদুনা ঙসি ফাওবা মীয়াম মরক্তা হিংবাঙমজরিবনি। ওজাগী লুচিং মখাদা লমজিং লমতাক মখাদা পুথোকখিবা মহৈরোয় কয়ানা মণিপুরগী লোয়শঙ কয়াদা মশক নাইবা শিনফম, থৌদাং লৈবা থবক কয়া পায়খ্রবনি। ওজাগী এদমিনিষ্ট্রেশনদা খা ইম্ফাল হায় স্কুলগী ওজা পূন্নমক মথৌ মশক খঙনা শিল্লম শিন্থা পায়হন্দুনা মণিপুরগী মমিং লৈবা স্কুল ওইখিবা কয়াদু ঙসিদি ওজা লৈত্রবা মতম অসিদদি মতমগী অওনবা মতমগী খোঙজেল চেন্থখিদুনা মতমদুগী ১৯৬৪, ৬৫,৬৬,৬৭,৬৮গী মণিপুর বোর্দ লিংদ্রিঙৈদা কল্লম্বা ফিদাসু থুপচিনখ্রে। ওজা কেশো লৈরিঙৈদা মহৈরোয়গা ওজাশিংগা লৈনরম্বা মরী থকসি খাসি কয়াদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মফম অয়াম্বদগী মহৈরোয়শিংগী স্প্রিং বোর্দ ওইরম্বনি।

শৈথানীংই পাউদমজনীংই তাকপী তম্বীরকপা ওজাশিংগী মরমদা করম্বা শিনফম্থু ওজানা তাকপীদবা লৈবগে? মাংজৌননা হান্ননা খঙ হৈরবা কয়াদুনা তাকপী তম্বীরগা লমজিং লমতাকপীরগা মতুং ইন্দুনা হোৎনবা য়াবা হোৎনরবা মতুংদা শিনফমদুদা মায় পাকপা অমা ওইগদৌরিবা ঙাক্তনি। এম এ ওইরবা অমনা অহানবা খূৎ পায়দুনা তাকপীরকপা ওজাশিংবু কৈদৌঙৈদা কাউফদে, ইকোক নোন্না ইকায়খুম্নবা উৎপা তাবনি। ঐগী পূন্সিগী অহানবা অ, আ, ই, ঈ ইবা পাবা তাকপীরকখিবা লাঙ্গোলজমগী ওজা বিরচন্দ্রদগী হৌরগা মথং মথংদা মহৈরোই অমা ওইনা তাকপী তম্বীরকপা মদুদা নত্তনা লৈঙাক্কী শিন্মী অমা ওইরবা মতমদা ইথিক্স ঙাক্লা ইথক থোংবনা শিন্নবা থবক খুদিংমক মফম মতম চানা লোইশিনবনা কনাগীসু ৱাহৈ মখা থারোই হায়বা অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা থবক তৌবা তাই। মতম অদুগী ওজাশিংনা তাকপী তম্বীবা লমচৎ-শাজৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙ কয়াদুবু হঙ্গৎনা য়েংলুবদা কল্লক্তবা ঙমদে। মতমদুগী ওজাদি তোলোপ ঙাইবা ওজা ওইরমদে। স্কুল ওথোরিটি অমদি হেদ মাষ্টরগী মীৎয়েংগী ৱাংমদা থবক তৌরমদে। মতম চানা এ আই, দি আই অমদি ইন্সপেক্টরশিংনা অঙাং মহৈরোয় অমদি ওজাশিংনা তাকপী তম্বীরিবা অদু চ্যেক তৌদুনা চৎফম থোকপা লম্বীদগী থৈদোক্তে। ওজা অচৌ ঐগী মরুপ লোকেশ্বরগা পূন্না উন্নমিন্নবনি। ওজা খুরুম্লগা ঐখোয় অনী পূন্না থোকমিন্নরক্লে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।